

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, SUNDAY, MAY 27, 2018 PAGE 7


*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বালিফায়র টুগী মেটচতা ৱিকেট ৩ লৌদুনা কোলকতা নাইট রাইদর্সপু মায়থিবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী বোলর রসিদ খান*

*খুবোম শোকপা ফগৎপা ঙমদবনা মরম ওইরগা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙম্লরোইদবী স্বিজরলেন্দগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই টিমিয়া বাকসিন্সকি*

## ৪শুবা এম সি এ ইলাইট টুর্নামেন্ট ২০১৮ সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ১০ গ্রুপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়ম, লুৱাংসংবমদা চথ্বরকখিবা ৪শুবা এম সি দব্লিউ প্রাহলাদা এন্দ দব্লিউ রামানন্দা ইলাইট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি লোয়শিনখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প খাগেম্পলিবু সুপর ওভর মেথোদতা মায়থিবা পিদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। চেম্প খাগেম্পলিগী কেনেদিনা আউৎ ওইদনা রন ৩৮গা ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রে।



নোং–চিংগী ফিভমনা য়েথোক্তুনা লাকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী ফাইনেল মেটচতা চেম্প খাগেম্পলি অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দ টিম অনিনা শান্নবদা চেম্পনা তোচ ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনখি। মসিদা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা অপিবা ওভর ৩০গী মনুংদা ওভর ২৯.৫দা ওল আউৎ ওইরগা রন ১৪৬ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পলিনা অপিবা ওভর ৩০গী মনুংদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪৬ স্কোর তৌবদগী দ্রো চৎখি।

মেটচ অসিদা সুপর ওভরনা দিসাইদ তৌনবা মখাতানা শান্নবদা রন ১৬–১৬ স্কোর তৌনদুনা অমুকহন্না দ্রো চৎপদগী বি সি সি আই গী ওভর রুলগী মতুংইন্না মেটচ অসি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মেটচ অসিগী অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা অক্সেকুমারনা বোল ৩৩দা রন ৩৩, ইক্রামুলনা বোল ৪৩দা রন ৩৩, নর্সিংহনা বোল ২৩দা রন ১৯, অমদি সুনিল বোসনা বোল ১১দা রন ১২ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা চেম্প খগেম্পলিগী থোমাসনা ৱিকেট ৩, কেনেদিনা ৱিকেট ২, সুল্টাননা ৱিকেট ২ অমদি রভিনা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা চেম্প খাগেম্পলিনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা কেনেদিনা আউৎ ওইদনা বোল ৩৩দা রন ৩৮, লাংলোয়াম্বনা বোল ৪৪দা রন ৩৭, বোন্নিনা বোল ২৬তা রন ১৯ অমদি অর্পিট রাওনা বোল ১৬তা রন ১৫ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী হোমেন্দ্রোনা ৱিকেট ৩, অক্সেকুমারনা ৱিকেট ২, বিকাসনা ৱিকেট ১ অমদি ইক্রামুল অলিনা ৱিকেট ১ লৌখি।

চথ্বরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা সাইক্লোনগী টিঐচ অক্সেকুমারনা রন ২১১ অমসুং ৱিকেট ১৪, সাইক্লোনগী এল কিষননা রন ৭৯ অমসুং ৱিকেট ১৭ অমদি চেম্পগী সুল্টাননা রন ১৪৯ অমসুং ৱিকেট ১৪ লৌদুনা মেন ওফ দি সেরিস তাদুনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ৩০০০গী মনা ফংখি।

চেম্পগী বোন্নিনা রন ২৩৪, সাইক্লোনগী কেএসঐচ নর্সিংহনা রন ২২৯ অমদি সাইক্লোনগী টিঐচ অক্সেকুমারনা রন ২১১ লৌদুনা হাইয়েষ্টরন গেত্তর তাদুনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ২০০০গী মনা ফংখি।

সাইক্লোনগী এল কিষননা ৱিকেট ১৭, সাইক্লোনগী টিঐচ অক্সেকুমারনা ৱিকেট ১৪ অমদি চেম্পগী সুল্টান কারিমনা ৱিকেট ১৪ লৌদুনা হাইয়েষ্ট ৱিকেট তেক্কর তাদুনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ২০০০গী মনা ফংখি।

চেম্পগী কে কেনেদিনা আউৎ ওইদনা রন ৩৮গা ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাদুনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ১০০০গী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ১৫,০০০ অমদি রন্নর অপ তাখ্রবা চেম্প খাগেম্পলিনা ট্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০গী মনা ফংখ্রে।

## ইন্টর স্কুল গার্লস বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট সেন্ট এন্থোনিনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ

আর কে সনাতোম্বী দেবি বিদ্যালায়া (আর কে এস দি ভি) পাঙ্গে লিংখৎখিবা চহি ২৫ শুরকপা সিলভর জুভিলি সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা বিদ্যালায়া অসিনা শিন্দুনা ঙরাংদগী চথ্বরকখিবা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়া ইন্টর স্কুল গার্লস বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি লোয়শিনখ্রে। সেন্ট এন্থোনি স্কুল চিংমৈরোংনা ৱিন্নর ওইখ্রে, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়ানা রন্নর অপ তাখ্রে।



স্কুল ৫গী নুপীমচা বাস্কেটবোল টিম ৫না গ্রুপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথ্বরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়া অমদি সেন্ট এন্থোনি স্কুল টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা সেন্ট এন্থোনি স্কুল পোইন্ট ৪১–২৫ (৬–৮, ১২–২১, ২৩–২৯, ২৫–৪১) দা মায়থিবা পিদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা সেন্ট এন্থোনি স্কুলগী পোইন্টশিং কেরোরিতানা পোইন্ট ৭, লৈসেমি হোঙ্গ্রেনা পোইন্ট ২৭, লানফু লিলিয়ুনা পোইন্ট ২, দেবোরাহ পোইন্ট ৩ অমদি চুথানলিয়ুনা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখি।

আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়াগী পোইন্টশিং অদুনা ফরিষ্টা কান্থুননা পোইন্ট ১০, টি তোম্বীসনা পোইন্ট ১, এ রিতানা পোইন্ট ১০, ঙান্থোই টিঐচনা পোইন্ট ১ অমদি এন মোনিতানা পোইন্ট ৩ স্কোর তৌখি। মেটচ অসিদা সেন্ট এন্থোনিগী লৈসিমি হোঙ্গ্রেনা বেষ্ট প্লেয়ার তাখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী লোয়শিনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরমদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী দিপুটি কম্মিস্নার টিঐচ চিত্রা দেবী, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার য়াংলেম বোনি অমদি আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়াগী দাইরেক্তর টি অসা দেবীনা মথংসিংনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওর্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শুরুক য়াখিবগা লোয়নননা ৱিন্নর ওইখ্রবা সেন্ট এন্থোনি স্কুলদা ট্রোফিগা লোয়নননা লুপা ৫,০০০ অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়াদা ট্রোফিগা লোয়নননা লুপা ৩,০০০ খুৎশিন্নখি।

## ২শুবা আরকেএফদি সঙাই ট্রোফি সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ

আর কে ফোর্চুন দিভলবপরনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুনাইটেদ ভেতরান ফুটবোল এসোসিয়েসন, মণিপুরনা শিন্দুনা মণিপুরগী ভেতেরান ফুটবোল টিম ১৯না শরুক য়াদুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথ্বরিবা ২শুবা আর কে এফ দি সঙাই ট্রোফিগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে। থা অসিগী ২৮দা শান্নগদবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ভি এস এ সি চুরাচান্দপুরগা এ ৱাই এম এফ এ য়াইরিপোককা অমদি অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা এফ সি ইম্ফাল ক্বাকৈথেলগা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

চথ্বরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা শান্নগদবা অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এফ সি ইম্ফাল ক্বাকৈথেল অমদি য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং টিম অনিনা লম্বা তৌনগদবদা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং লাক্তবদগী এফ সি ইম্ফাল ক্বাকৈথেলনা ৱাল্ক ওভর ফংদুনা সেমি ফাইনেল চংখি।

ঙসিগী অনিশুবা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দ অমদি ভি এস এ সোরা টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা গোল ৩–১দা মায়থিবা পিরল্লগা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিদা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দগী গোল ৩ কেঐচ রতননা মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা গোল ১, পি রোমেসনা মেটচকী মিনট ৩২ চৎপদা গোল ১ অমসুং সিঐচ অনন্দনা মেটচকী মিনট ৫০ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিবা নংদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপাল থোকখ্রবা ভি এস এ সোরাগী অমত্তা ঙায়রবা গোল এম দি ইকবালনা মেটকী মিনট ৩২ চৎপদা চনখি।

## অহানবা অথোকপম ইবোমচা ভেতরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ

লোইতাং লৈকিন্থবী য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা ভোল্লিবোল টিম ৬না গ্রুপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা লোইতাং লৈকিন্থবী য়ুথ ক্লবকী গ্রাউন্দা চথ্বরিবা অথোকপম ইবোমচা সিংহ মেমোরিয়েল ভেতরান ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে। হয়েং শান্নগদবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পি ই দব্লিউ এ গা এল এল ৱাই সিগা অমদি অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা দি ভি এ (এ)গা এম এল ভি এগা লাম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা দি ভি এ (এ)না ৱাই দি ওবু সেট ৩–০ (২৫–১৪, ২৫–১১, ২৫–১৯দা, অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেলদা পি ই দব্লিউ এনা এম এল ভি এবু সেট ৩–০ (২৫–১১, ২৫–১৫, ২৫–১৭)দা অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেলদা এল এল ৱাই সিনা ৱাই দি ওবু সেট ৩–০ (সেট ২৫–১৩, ২৫–২০, ২৫–১৭)দা অমদি মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেলদা পি ই দব্লিউ এনা দি ভি এ (বি)বু সেট ৩–০ (২৫–২০, ২৫–১৭, ২৫–১৭)দা মায়থিবা পিরল্লগা সেমি ফাইনেল চংবা ঙমখি।

## সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কোলকতা নাইট রাইদর্সপু রন ১৪ দা মায়থিবা পীদুনা চেন্নাই সুপর কিংসকা ফাইনেল শান্নরগনি

কোলকতা, মে ২৬ঃ

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা টি–২০গী মকোক থোংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বালিফায়র টুদা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কোলকতা নাইট রাইদর্সপু রন ১৪ দা থোইদুনা হয়েং ফাইনেলদা চেন্নাই সুপর কিংসকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী টোস কোলকতা নাইট রাইদর্সনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। সনরাইজর্সনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপুনবা ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৭৪ লৌবা ঙমখি।

মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা ওপনর ওইনা থোরকখিবা রিধিমান সাহা অমসুং সিখর ধ্বননা য়াম্না ফজবা অহানবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ৫৬ লৌরমখি। সিখর ধ্বন বোল ২৪ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৪ লৌদুনা লৈরিঙৈদা আওট ওইখি।

মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবা সনরাইজর্সকী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন শুপ্পগী রন ৩ খক লৌরল্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং সাকিব অল হাসন অমসুং ওপনর রিধিমান সাহাগনা ইন্নিংস মখা চথ্বরকখি।

ওপনর রিধিমান সাহা বোল ২৭ মায়োক্লবদা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩৫ লৌরল্লগা আওট ওইখি। সাকিব অল হাসনবু বোল ২৪ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৮ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন দিপক হুদা গী রন ১৯ অমসুং ৮শুবা বেটসমেন রসিদ খাননা আওট ওইদনা লৌরম্বা রন ৩৪ অদুনা মপুং ওইরগা মখোয়গী স্কোর অদু ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৭৪ য়ৌরকপনি।

রন ১৭৫ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু কোলকতা নাইট রাইদর্সনা লৌননবা হোৎনরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৬০ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু মখোয় সনরাইজর্সকী মখূত্তা রন ১৪ দা মায়থিখি।

কোলকতা নাইট রাইদর্সকী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা য়াম্না ফজরকখি। ওপনর খৃস লিন অমসুং সুনিল নরাইন মথৎশিংনা রন ৪৮ অমসুং ২৬ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন নিটিস রাইনানা লৌরম্বা রন ২২, ৬শুবা বেটসমেন সুভমান গিলগী ৩০ অমসুং ৮শুবা বেটসমেন পিয়ুস চাউলানা লৌরম্বা রন ১২ অদু টিম অদুগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

## গোপালদেব(এ) ফাইনেল চংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাংখুৎ য়াইস্কুলনা শিন্দুনা টিম ৭না গ্রুপ ২ থোক্না খায়দোক্তুনা গোপালদেভ কাংশঙদা থা অসিগী ১২দগী চথ্বরক্লিবা অহানবা হাওবম কুলবিধু মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা গোপালদেব (এ) কাংখুৎ য়াইস্কুলগা থাংমৈবন্দ কাংখুৎ থাংমৈবন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১২–১২দা দ্রো চৎপদগী তাই ব্রেকতা গোপালদেব (এ) কাংখুৎনা পাঞ্জল ৪–১দা থোইদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথ্বরকপা ওইনা থা অসিগী ২৯দা শান্নগদবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা গোপালদেব (বি) কাংখুৎ য়াইস্কুলগা আই দব্লিউ কে কে কাংখুৎ উচেকোনগা লম্বা তৌনরগনি।

## হোক্কীগী সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল কেম্পকী শান্নরোই ৪৮ খনগৎপদা মণিপুরদগী সুসিলা অমসুং সুমন য়াওরে

বেঙ্গালুরু, মে ২৬ঃ

থা অসিগী ২৮ দগী জুন ৯ ফাওবা বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা হোক্কিগী সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল কেম্পকীদমক শান্নরোই ৪৮ খনগৎপগী মনুংদা মণিপুরদগী সুসিলা চনু পুখ্রম্বম অমসুং সুমন দেবী থৌদাম য়াওরে।





পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনেল কেম্প অসি নুপীগী হোক্কি টিমগী নৌনা কোচ ওইখ্রবা চীফ কোচ জোর্দ মারিনেগী লুচিং মখাদা চথ্বগদবনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৫শুবা ৱুমেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসি সিলভর মেডল ফংলগা লৈহৌবনি।

মে ২৮ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল কেম্প অসি জুন ১০ দগী হৌগদৌরিবা স্পেনগী টুর অমসুং মতুং তারকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী শান্নরোই খনবগী য়াম্না মরুওইবা মতাং অমনি হায়না চীফ কোচ জোর্দ মারিনেনা ফোঙদোকখি।

মারিনেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বেঙ্গালুরুদা নুমিৎ ১৩ নিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিনা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুদগী হেন্না ফজহনবা ঙমদুনা নৌনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবনি হায়খি।

কেম্প অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিংদা মখোয়গী টিমগী ওইবা পার্ফোমেন্স হেনগৎহনগনি হায়নসু কোচ অসিনা মখা তাখি।

মণিপুরদগী হৌখিবা সুসিলা চনু পুখ্রম্বম অমসুং থৌদাম সুমন দেবী দিফেন্দর ওইরিবনি। কেম্প অসিদা মখোয়না মায়োক্লবা টিম্না এটেক তৌরকপদা হৈ–শিংনা লম্বা পীবা ঙম্ননবগীদমকসু অকনবা ট্রেনিং তৌগনি।

## জপাননা য়ুম্থু থাইলেন্দবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ৩৭ কী মতুংদা উবর কপকী টাইটল লৌখ্রে

বেঙ্কোক, মে ২৬ঃ

থাইলেন্দনা য়ুম্থু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথ্বরিবা বেদমিন্টন মশান্নগী নুপীগী টিম ইভেন্ট অমা ওইরিবা উবর কপকী ফাইনেলদা য়ুম্থু থাইলেন্দবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ৩৭ কী মতুং জপাননা টাইটল লৌখ্রে।



নীংশিংবা য়াবদি উবর কপকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক থাইলেন্দনা চাইনাবু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা জপাননা সাউথ কোরিয়াবু মেটচ ৩–১ দা থোইরম্বনি।

উবর কপকী ফাইনেল টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা ইৱা ৱাদনা থাইলেন্দগী রাটচাকোন ইন্টানোনবু ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা থাইলেন্দগী শান্নরোই রাটচানোককী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীখ্রবসু জপানগী য়ামাগুচিনা ২১–১৯ দা থোইদুনা ফাইনেল টাই অদু মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ফাইনেল টাই অদুগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসকী লম্বাদা জপানগী য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটানা থাইলেন্দগী জোংকোলফান কিটিথারাকুল অমসুং পুট্টিটা সুপাজিরাকুলবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

নুপীগী দবলসকী মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু পেয়র অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা ওইখি। লোইশিল্লকপদা জপানগী পেয়র অদুনা খরা ফজবা হেনখিবদগী ২১–১৮ দা থাইলেন্দগী পেয়র অদুবু থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা জপানগী পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটানা থাইলেন্দগী জোংকোলফান কিটিথারাকুল অমসুং পুট্টিটা সুপাজিরাকুলবু অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না কোম্না ২১–১২ দা থোইদুনা ফাইনেল টাই অদু জপাননা থাইলেন্দবু মেটচ ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

উবর কপকী ফাইনেল টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহুমশুবা মেটচ অদুগী অহানবা গেম জপানগী নোজোমী ওকুহারানা থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলবু য়াম্না কোম্না ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারিবী জপানগী ওকুহারানা অনীশুবা গেম অদুদা হেন্না ফজরক্তুনা থাইলেন্দগী শান্নরোই জিন্দাপোলবু ২১–৯ দা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীদুনা উবর কপকী ফাইনেল টাই অদু জপাননা থাইলেন্দবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ৩৭ কী মতুংদা অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মেটচ ৫ শান্নগদবা ফাইনেল লম্বা অদুদা জপাননা থংননা মেটচ ৩ মায় পাকখিবদগী লেমহৌবা মেটচ ২ শান্নদনা জপাননা থাইলেন্দবু মেটচ ৩–০ দা হেন্দুনা নুপীগী বেদমিন্টনগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা উবর কপকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

থাইলেন্দনা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্লিবা নুপাগী বেদমিন্টনগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা থোমাস কপকী ফাইনেলদা চাইনা অমসুং জপান হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি থোমাস কপকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা চাইনানা ইন্দোনেসিয়াবু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা চাইনাগী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা জপাননা দেনমার্কপু মেটচ ৩–২ দা থোইরম্বনি।